Monday, June 28, 2021, Imphal

HUEIYEN LANPAO

## লোকদাউন থমজিনখিবদগী মাইগ্রেন্ট কয়া অৱাবা ময়োক্লরে

ধাকা, জুন ২৭ (এজেন্সী) :

বংলাদেশতা লোকদাউনগী অনৌবা চৎন-কাংলোনশিং শেমদুনা অকনবা অথিংবশিং অমুক হন্না থমজিনখিবনা মরম ওইরগা লৈবাক অদুদা লৈরিবা মীয়ামশিং মরুওইনা মাইগ্রেন্টশিংদা য়াম্না চাওনা খুদোংচাদবা ময়োক্লহল্লে হায়রি।

হৌখিবা মে থাদগী হৌরগা লৈবাক অদুদা কোভিদ-১৯ শন্দোকপগী চাং তপ্না তপ্না হন্থরকখ্রবা মতুং লোকদাউন লৌথোক্লবা খন্নরিঙৈদা খঙহৌদনা থা অসিদগী হৌরগা লৈবাক অসিদা কোভিদ-১৯ গী অনৌবা ভেরিয়েন্ট দেল্টানা অকনবা চৈথেং পীবা হৌরকখিবদগী লোকদাউন অমুক্কা হেন্না কনশিন্নবা ফিরেপ লৌখিবনি।

থা অসিগী হৌগৎলকপদগী হৌজিকফাওবদা লৈবাক অসিদা কোভিদ-১৯ গী অনৌবা ভেরিয়েন্ট দেল্টানা মীওই ১১৯ হেন্না শিহনখ্রে অমদি মীওই ৫,০০০ হেন্না নাহনখ্রে হায়না হেল্থ দিপার্টমেন্টকী ৱাঙাংলোই অমনা ফোঙদোরক্লি।

মহাক্না মখা তানা ফোঙদোকখিবদা, বংলাদেশ গভর্ণমেন্টনা কোভিদ-১৯ লায়না লায়চৎ মপুং ফানা লাকশিন্নবা অকনবা মওংদা হোৎনরি। লায়না লায়চৎ অসি কন্ত্রোল তৌনবা হোৎনবদা তঙায়ফদনা লোকদাউন কনশিনহনখিবনি। মসিনা মরম ওইরগা মীওই কয়া থবক শুবা ফংদবগী খুদোংচাবা ময়োক্লরি। হায়রিবা মীওইশিং অসিদা মতেং পীনবগীদমক লৈঙাক্কী মায়কৈদগী অঙন্বা থাক্তা হোৎনরি। লৈঙাক্লা হোৎনরিবা অসিদা মীয়াম্নসু অঙন্বা মতেং পাঙশিন্দুনা লায়না লায়চৎ অসিবু মপুঙ ফানা কন্ত্রোল তৌনবা হোৎনমিন্নসি। মীয়ামগী মতেং য়াওদনা লায়না অসি লাকশিনবা ঙল্লোই হায়না ৱাঙাংলোই অসিনা মখা তানা ফোঙদোরক্লি।

## টালিবান ফাইটরশিং অমদি গভর্ণমেন্ট ফোর্সশিংগী মরক্তা অকনবা মওংদা খূৎ থোক্লখ্রে



কাবুল, জুন ২৭ (এজেন্সী) :

য়ু এসনা অফঘানদগী মখোয়গী ত্রুপশিং লৌথোকপা হৌখ্রবা মতুং টালিবান ফাইটরশিং অমসুং অফঘান গভর্ণমেন্ট ফোর্সশিংগী মরক্তা খূৎ থোক্লবগী চাং হান্নদগী হেন্না কনখৎলক্লি। ঙসিসু নাকল অনীগী মরক্তা অকনবা মওংদা খূৎ থোক্লরকপনা মরম ওইরগা মীওই লীশিং ৫ রোম ময়ুম থাদোক্তুনা চেন্নখ্রে হায়রি।

কনধাহার অমসুং বাঘলান প্রোভিন্সতসু অফগান গভর্ণমেন্ট ফোর্স অমদি টালিবান ফাইটরশিংগী মরক্তা অকনবা মওংদা খূৎ থোক্লখি। খূৎ থোক্লখিবা অদুগা মরী লৈননা গভর্ণমেন্ট ফোর্সনা ফোঙদোরকখিবদা টালিবানশিংনা হান্না কন্ত্রোল তৌদুনা লৈরম্লবা প্রোভিন্স অনী অসি অফঘান ফোর্সশিংনা অমুক হন্না লৌশিনবা ঙল্লে। লোকেল মীদিয়া রিপোর্টকী মতুং ইন্নদি অফঘান ফোর্সশিংনা প্রোভিন্স অনী অসি মখোয়না লৌশিল্লে হায়না ক্লেম তৌখ্রবসু সেন্ত্রেল বাঘলানগী মরু ওইবা শরুক খরদি হৌজিক হৌজিকসু টালিবান ফোর্সশিংনা ওকুপাইদ তৌদুনা লৈরি।

হৌখিবা কুমজা ২০০১ দগী হৌরগা অফগান গভর্ণমেন্ট ফোর্স অমদি য়ু এস ত্রুপকী অপুনবা টিম্না টালিবান ফাইটরশিংগী মথক্তা অকনবা মওংদা এটেক চখুদুনা লাকখিবনি। অদুবু চহী ২০ লোম অফঘানদা দিপ্লোয় তৌদুনা লৈরকখিবা য়ু এস ত্রুপশিং লৌথোক্লগনি হায়না ফিরেপ লৌখ্রবা মতুং টালিবান ফাইটরশিংনা অফঘান ফাইটর ফোর্সশিংগী মায়োক্তা এটেক চখুদুনা কুনদুস প্রোভিন্স লৌশিনখি।

গভর্ণমেন্ট ফাইটরশিংনা কুন্দুস প্রোভিন্সপু টালিবান ফাইটরশিংদগী মনীং তমহন্নবা অকনবা মওংদা হোৎনরক্লি। মসিনা মরম ওইরগা ঙসি টালিবান অমসুং অফঘান ফোর্সকী মরক্তা অকনবা মওংদা খূৎ থোক্লরকখি। খূৎ থোক্লরকখিবা অদুনা মরম ওইরগা কুন্দুসদা লৈরম্বা ইমুং লীশিং ৫ রোম মফম অদু থাদোক্তুনা চৎনখ্রে। মখোয়গী মনুংদা ইমুং লীশিং ২ রোমনা কাবুলদা অদুগা লেমহৌরিবশিংনা অতোপ্পা প্রোভিন্সতা চঙজফম লৌদুনা লৈরি হায়রি।

## এটেক চখরকখিবগী মতাংদা পাউ পীবা ঙম্বদা দোল্লর লাক্ষ ৮ গী মনা লাউথোকখ্রে



বোগোটা, জুন ২৭ (এজেন্সী) :

কলম্বীয়াগী প্রসিদেন্ট ইভান দ্যুক পুদুনা পাইখিবা হেলিকোপ্তর অমদা এটেক চখরকখিবা থৌদোক অদুগী মতাংদা চেন্নরিবশিংগী পাউ পীবা ঙম্বদা কলম্বীয়া গভর্ণমেন্টনা দোল্লর লাক্ষ ৮ গী মনা পীগনি হায়না লাউথোকখ্রে।

হৌখিবা ইরাই নুমিত্তা ভেনেজ্বেলা ঙমখৈ মনাক্তা প্রসিদেন্টনা তোংখিবা হেলিকোপ্তর অদুদা এটেক চখরকখিবনি। হেলিকোপ্তর অদু সরদিনটাদগী ককুটা এয়রপোর্ট তম্না পাইরকখিবনি। প্রসিদেন্ট ইভান দ্যুককী খোঙচৎ অদুদা দিফেন্স মিনিষ্টর দিয়েগো মোলামো, ইন্টরিয়র মিনিষ্টর দেনিয়েল পেলাসিয়োস অমদি অতোপ্পা মকোক থোংবা ওফিসল কয়াসু য়াওখি। লাইবক ফবদগী থৌদোক অদুদা অশোক অপন অমত্তা নংখিদে অদুবু হেলিকোপ্তর অদুগী মনিং থংবা শরুক খরদি চাওনা অমাং অতা থোকখ্রে।

টেরোরিষ্টকী এটেক অদুদা শরুক য়াখিবশিংগী মতাংদা পাউ পীবা ঙম্বা মীওইশিংদা কলম্বীয়া গভর্ণমেন্টনা দোল্লর লাক্ষ ৮ গী মনা পীগনি হায়না দিফেন্স মিনিষ্টর মোলানোনা থাংজ নুমিত্তা ফোঙদোকখিবনি। থৌদোক অসিগা মরী লৈননা নেস্নেল পুলিস চীফ জোর্জ ভরগাসনা ফোঙদোকখিবদা ককুটাগা য়ুমথংনদুনা লৈরিবা মফমশিংদা অহেনবা পুলিস ফোর্সশিং থাজিন্দুনা থি হুন্বগী থবক চখবা হৌখ্রে।

থি হুন্বগী থবক্তা পুলিসনা হৌজিক ফাওবগী ওইনা এ কে ৪৭ অমসুং ৭.৬২ কেলিভর রাইফল অমা ফংবা ঙমখ্রে। খূৎলাইশিং অসি ভেনেজ্বেলান আর্মদ ফোর্সকী সিম্বোল য়াওই হায়রি। অমরোমদা এটেক অদু ভেনেজ্বেলাগী সোসেলিষ্ট লিদর নিকোলাস মদুরোনা খুজিন থৌরাং তৌরগা চখিবা ওইহল্লম্বা য়াই হায়না কলম্বীয়াগী প্রসিদেন্ট ইভান দ্যুকনা ফোঙদোরকখিবগা লোয়ননা নিকোলাস মদুরোনা খূলাই পায়বা রেবেল গ্রুপশিংদা অহেনবা মতেং পীদুনা কলম্বীয়াদা য়াম্না তোয়না পামদবা থৌদোকশিং থোকহন্নবা হোৎনরি হায়না মরাল শীরক্লি।

## য়ু কে দিফেন্সকী অরোনবা চে খরা বস ষ্টোপতা তাদুনা লৈরম্বা থেংনখ্রে

লন্দন, জুন ২৭ (এজেন্সী) :

ক্রিমিন কোষ্টতা রুসিয়ানা বৃটিশকী ৱার সিপ অমদা ৱার্নিং সোট কাপখি হায়না ক্লেম তৌরকখিবা অদুগা মরী লৈনবা য়ু কে দিফেন্সকী অরোনবা চে চরাং খরা ইংলেন্দদা লৈবা বস ষ্টোপ অমদা থেংনখ্রে হায়রি।

মিনিষ্ট্রি ওফ দিফেন্সনা হীরম অসিগা মরী লৈননা ফোঙদোকখিবদা মমাং চয়োলদা সেক্রেট দোকুমেন্টশিং অসি মফম খংদনা মাঙখিবনি। মসিগী মতাংদা হৌজিক হৌজিক থিজিনবগী থবক চখরিবনি। অসিগুম্বা মখলগী অরুবা চে চাং অমা মাঙখ্রবা মতুং বস ষ্টোপ অমদা থেংনবা হায়বসি ইচম চম্না লৌবা য়ারোই।



য়াম্না চেকশিনবা মফমদগী চে চাং অসি মাঙখিবনি। থৌদোক অসিগী মতাংদা ইন্তরনেল ইনভেষ্টিগেসনগী থবকসু চখবা হৌখ্রে। মশক মমিং তাকথোক্তবা মিনিষ্ট্রি ওফ দিফেন্সকী মকোক থোংবা ওফিসল অমনা ফোঙদোকখিবদা চেনা য়াঙ্খ্রে পানবা সেক্রেট ফাইল অদু ইংলেন্দগী খা থংবা শরুকতা লৈবা বস ষ্টোপ অমদা থেংনখিবনি। বৃটেনগী ঐচ এম এস দিফেন্দরনা য়ুক্রেনিয়ন ৱাটরদা চৎলিঙৈদা রুসিয়ানা ৱার্নিং সোট কাপখি হায়না ফোঙদোকখিবা অদুগী মতাংদা নৈনবগী ৱারোলশিং ফাইল অদুদা য়াওরি। থৌদোক অদুগী মতাংদা অচুম্বা ৱাফম পুথোকপা ঙম্নবা অকনবা মওংদা হোৎনরি।

অমরোমদা রুসিয়ানা হৌখিবা য়ুমশকৈশা নুমিত্তা ফোঙদোকখিবগা মতুং ইন্না ব্লেক সিদা য়ু কে নেভি দিষ্ট্রোয়র অমদা ৱার্নিং সোটশিং কাপখি হায়না ফোঙদোকখিবগা লোয়ননা য়ু কেনা ইন্তরনেস্নেল লোশিং থুগাইবগীদমক ৱার্নিং সোটশিং অদু কাপখিবনি। অমরোমদা রুসিয়ানা ফোঙদোকখিবা ৱাফম অদু বৃটেনগী মায়কৈদগী য়ানিংদবা ফোঙদোকখিবগা লোয়ননা রুসিয়ানা ৱার্নিং সোট কাপখিবা লৈতে হায়না ফোঙদোকখিবনি।

## ওসামা বিন লাদেনগী মতাংদা পাকিস্থান পি এমনা ফোঙদোকখিবা ৱাফম শোয়খিবনি

ইস্লামাবাদ, জুন ২৭ (এজেন্সী) :

পাকিস্থানগী প্রাইম মিনিষ্টর ইম্রান খাননা অল কৈদাগী লুচিংবা ওসামা বিনলাদেনবু লৈবাকনিংবা মীওইনি হায়না ফোঙদোকখিবা ৱাফম অদু শোয়বদগীনি হায়না পাকিস্থানগী ফেদরর ইনফোর্মেসন মিনিষ্টর ফাৱাদ চৌধুরিনা ফোঙদোরক্লি।

মহাক্না মখা তানা ফোঙদোকখিবদা পাকিস্থাননা ওসামা বিনলাদেনবু টেরোরিষ্ট অমা ওইনা লৌই অমদি অল কৈদাবুনা লোনা য়াদবা অথিংবা থমখ্রবা টেরোরিষ্ট অমা ওইনা লৌদুনা লাক্লি। মমাং চহীগী জুন থাদা নেস্নেল এসেমব্লিদা ৱা ঙাঙবদা প্রাইম মিনিষ্টরনা অবোটাবাদতা অমেরিকানশিংনা চখিবা ওপরেসনশিং অদুগী মতাংদা নীংশিংহনখি অমদি ওসামা বিনলাদেনবু হাত্তুনা লৈবাক নিংবা অমা ওইহল্লে হায়না ফোঙদোকখি।

প্রাইম মিনিষ্টরনা ফোঙদোকখিবা ৱাফম অদু সোসল মীদিয়াদা ভাইরেল ওইখ্রবা মতুং ফোরেন মিনিষ্টর সাহ মহেমুদ কুরেসিনা প্রাইম মিনিষ্টরগী স্পিচ অসিদগী হায়রিবা ৱাফম অসি লৌথোকপা লৈখ্রে হায়না ফোঙদোকখিবসু লৈখ্রে। পনবা য়াবদি হৌখিবা কুমজা ২০০১ দা অল কৈদাগী লুচিংবা অসিগী মীৎয়েং মখাদা য়ু এসতা ৯/১১ টেরর এটেক চখিবনি। মদুগী মতুং কুমজা ২০১১ দা য়ু এস নেভি চীফনা চখিবা মিলিটরি ওপরেসন অমদা অল কৈদাগী লুচিংবা ওসামা বিনলাদেনবু অবোতবাদকী গেরিসন টাউনদা হাৎখিবনি।

## মালেমদা কোভিদনা শোকহল্লবা লৈবাকশিং

| # | Country, Other | Total Cases | New Cases | Total Deaths | New Deaths | Total Recovered | Active Cases |
|---|---|---|---|---|---|---|---|
| | World | 181,542,184 | +370,996 | 3,932,770 | +7,578 | 166,066,146 | 11,543,268 |
| 1 | USA | 34,490,134 | +6,586 | 619,343 | +150 | 28,912,906 | 4,957,885 |
| 2 | India | 30,232,320 | +49,851 | 395,780 | +1,256 | 29,243,335 | 593,205 |
| 3 | Brazil | 18,386,894 | +64,134 | 512,819 | +1,547 | 16,582,053 | 1,292,022 |
| 4 | France | 5,768,443 | +2,128 | 110,951 | +12 | 5,601,814 | 55,678 |
| 5 | Russia | 5,430,753 | +21,665 | 132,683 | +619 | 4,943,986 | 354,084 |
| 6 | Turkey | 5,404,144 | +5,266 | 49,524 | +51 | 5,269,294 | 85,326 |
| 7 | UK | 4,717,811 | +18,270 | 128,089 | +23 | 4,314,125 | 275,597 |
| 8 | Argentina | 4,393,142 | +18,555 | 92,317 | +338 | 4,010,346 | 290,479 |
| 9 | Italy | 4,257,289 | +838 | 127,458 | +40 | 4,072,099 | 57,732 |
| 10 | Colombia | 4,126,340 | +33,594 | 104,014 | +693 | 3,829,487 | 192,839 |
| 11 | Spain | 3,782,463 | | 80,779 | | 3,575,883 | 125,801 |
| 12 | Germany | 3,734,136 | +494 | 91,303 | +22 | 3,618,400 | 24,433 |
| 13 | Iran | 3,157,983 | +7,034 | 83,711 | +123 | 2,822,704 | 251,568 |
| 14 | Poland | 2,879,567 | +98 | 74,974 | +21 | 2,651,360 | 153,233 |
| 15 | Mexico | 2,498,357 | +5,270 | 232,346 | +278 | 1,985,459 | 280,552 |
| 16 | Ukraine | 2,233,546 | +756 | 52,269 | +35 | 2,161,972 | 19,305 |
| 17 | Indonesia | 2,093,962 | +21,095 | 56,729 | +358 | 1,842,457 | 194,776 |
| 18 | Peru | 2,046,057 | +2,795 | 191,584 | +137 | N/A | N/A |
| 19 | South Africa | 1,913,861 | +17,956 | 59,778 | +157 | 1,702,070 | 152,013 |
| 20 | Netherlands | 1,682,773 | +552 | 17,740 | | 1,619,726 | 45,307 |
| 21 | Czechia | 1,666,822 | +137 | 30,296 | | 1,634,737 | 1,789 |
| 22 | Chile | 1,542,642 | +5,171 | 32,163 | +151 | 1,478,841 | 31,638 |
| 23 | Canada | 1,412,768 | +542 | 26,214 | +17 | 1,377,730 | 8,824 |
| 24 | Philippines | 1,391,896 | +6,856 | 24,244 | +92 | 1,314,138 | 53,514 |
| 25 | Iraq | 1,321,232 | +4,814 | 17,061 | +28 | 1,226,959 | 77,212 |
| 26 | Sweden | 1,088,896 | | 14,584 | | 1,053,886 | 20,426 |
| 27 | Belgium | 1,082,476 | +568 | 25,160 | +8 | 1,025,525 | 31,791 |
| 28 | Romania | 1,080,584 | +62 | 33,248 | +6 | 1,045,351 | 1,985 |
| 29 | Pakistan | 953,842 | +935 | 22,188 | +36 | 898,944 | 32,710 |
| 30 | Bangladesh | 883,138 | +4,334 | 14,053 | +77 | 800,854 | 68,231 |
| 31 | Portugal | 873,051 | +1,568 | 17,083 | +2 | 825,209 | 30,759 |
| 32 | Israel | 840,823 | +185 | 6,429 | | 833,237 | 1,157 |
| 33 | Hungary | 807,910 | | 29,980 | | 737,233 | 40,697 |
| 34 | Japan | 792,832 | +1,708 | 14,626 | +28 | 760,243 | 17,963 |
| 35 | Jordan | 749,319 | +273 | 9,718 | +8 | 733,113 | 6,488 |
| 36 | Malaysia | 728,462 | +5,803 | 4,884 | +81 | 662,932 | 60,646 |
| 37 | Serbia | 716,238 | +66 | 7,029 | +5 | 706,816 | 2,393 |
| 38 | Switzerland | 702,507 | | 10,882 | | 680,251 | 11,374 |
| 39 | Austria | 650,191 | +175 | 10,699 | | 637,238 | 2,254 |
| 40 | Nepal | 632,326 | +1,174 | 8,975 | +30 | 581,327 | 42,024 |
| 41 | UAE | 624,814 | +2,282 | 1,792 | +10 | 603,541 | 19,481 |
| 42 | Lebanon | 544,291 | +126 | 7,841 | +2 | 531,749 | 4,701 |
| 43 | Morocco | 529,224 | +493 | 9,273 | +5 | 515,863 | 4,088 |
| 44 | Saudi Arabia | 482,003 | +1,301 | 7,760 | +17 | 463,004 | 11,239 |
| 45 | Ecuador | 453,365 | +1,131 | 21,485 | +52 | 415,508 | 16,372 |
| 46 | Bolivia | 431,360 | +2,182 | 16,496 | +82 | 351,317 | 63,547 |
| 47 | Bulgaria | 421,515 | +28 | 18,027 | +1 | 394,106 | 9,382 |
| 48 | Greece | 420,670 | +375 | 12,637 | +12 | 402,776 | 5,257 |
| 49 | Paraguay | 416,843 | +1,523 | 12,365 | +150 | 360,030 | 44,448 |
| 50 | Kazakhstan | 416,442 | +1,730 | 4,295 | +14 | 390,571 | 21,576 |

## প্রসিদেন্ট মহমদ অবাসকী মায়োক্তা খোঙজং চঙশিনখ্রে

জেরুসালম, জুন ২৭ (এজেন্সী) :

পেলিষ্টিনাইননা ওকুপাইদ তৌবা ৱেষ্ট বেঙ্ককী শরুক্তা পেলিষ্টিনিয়ন সেক্যুরিটি ফোর্সনা মীওই অমা হাৎখিবগী থৌওং অদুবু পেলিষ্টিনিয়নশিংনা অকনবা মওংদা য়ানিংদবা ফোঙদোকখিবগা লোয়ননা থৌদোক অদুগী মতাংদা পেলিষ্টিনিয়ন ষ্টেট গভর্ণমেন্টনা এক্সন অমত্তা লৌখত্তনা লৈরিবা অদুবু য়ানিংদবা ফোঙদোক্তুনা পেলিষ্টিনিয়ন প্রসিদেন্ট মহমদ অবাসকী মায়োক্তা খোঙজং চঙশিনখি।

ঙসি ৱেষ্ট বেঙ্ক রমালা সিটিদা মশীং য়াম্লবা খোঙজংলোয়শিং পুনশিন্দুনা প্রসিদেন্ট মহমদ অবাসকী মায়োক্তা পেন্দবগী খোল্লাউ কয়া লাউখি। নুমিৎ নীনিগী মমাংদা অবাসকী ফোর্সশিংনা এক্তিভিষ্ট নিজার বনটপু ফাজিনখ্রবা মতুং শিরে হায়না লাউথোরকখিবনি। মদুগী মতুংদা মীয়াম্না খোঙজং চঙশিনবা হৌরকখিবনি। লৈখিদ্রবা বনটকী ইমুং মনুংনা ফোঙদোরকখিবগী মতুং ইন্না সেক্যুরিটি পর্সনেল খরনা বনটপু ময়ুমদগী ফাখিবনি। মহাকপু ফারবা মতুং পুলিস ওফিসর অদুনা তমথিনা ফুখিবগা লোয়ননা মেটল রোদনা মহাক্কী মকোক্তা কনবা মীয়াম্না উন্নখি। মদুগী মতুং ইকান কান্নদনা মহাক শিরে হায়না লাউথোরকখিবনি।

ঙসিগী খোঙজং অদুদা শরুক য়াখিবা মীয়াম্না লৈবাক অদুগী ফিৱালশিং অমদি বনটকী পোষ্টরশিং শীজিন্নখি। খোঙজংলোয়শিং অদুনা চহী ৮৫ শুরবা অবাসপু প্রসিদেন্টকী ফম থাদোক্লবা অকনবা মওংদা তকশিনখিবগা লোয়ননা মীয়াম্না মহাকপু পামদ্রে হায়বা খোল্লাউশিং লাউখি।

## নিংখাইবগী থৌদোক্তা শিখিবগী মশীং হেনগৎলক্লি

মিয়ামি, জুন ২৭ (এজেন্সী) :

চয়োল অসিগী অঙনবা শরুক্তা য়ু এস সিটি মিয়ামিদা মথোল ১২ ৱাংবা বিল্ডিং অমা নিংখাইরকপগী থৌদোক্তা শিখিবগী মশীং ৯ শুখ্রে হায়না ওফিসলশিংনা ফোঙদোরকখিবগা লোয়ননা মখা তানা হকচাং থিবগী থবক অকনবা মওংদা চখরি হায়রি।

মিয়ামি দাদে কাউন্টি মেয়র দেনিয়েলা লেভিন কেভানা ফোঙদোকখিবদা বিল্ডিংশিং নিংখাইখিবগী অতেক অকাইশিংনা ননশিল্লগা হকচাং ৪ লৈরম্বা ঙরাং নুমিদাংৱাইরম থেংনখিবনি। মখা তানা বিল্ডিংগী অকায় অতোইশিং অদুনা হকচাং কয়া ননশিন্দুনা লৈরম্বা য়াবগী চিংনবা লৈরি।

ইমর্জেন্সি ৱার্করশিংনা অয়ুক নুমিদাং খাইদনা থিবা ফংদনা লৈরিবা হকচাংশিং থিবগী থবক অকনবা মওংদা চখরি। হৌখিবা শগোলশেন নুমিত্তা মিয়ামিগী সমুদ্র খোঙবান নক্লনা লৈবা মথোল ১২ ৱাংবা বিল্ডিং অদু খঙহৌদনা নিংখাইরকখিবনি। হৌজিক ফাওবগী ওইনা থিবা ফংদনা লৈরিবা মীওইশিং অদু শিরম্বা য়াবগী থাজবা লৈ হায়না নুপী মেয়র অসিনা ফোঙদোরক্লি।

মিয়ামিগী সমুদ্র খোঙবানদা বিল্ডিং নিংখাইবগী থৌদোক অসি হন্দক থোকখিবা অসিনা অহানবনি। বিল্ডিং অদু মতৌ করম্না নিংখাইখিবনো হায়বা হৌজিক ফাওবগী ওইনদি চপ চানা খঙবা ঙমদ্রি। অদুবু বিল্ডিং অদুগী ইঞ্জিনিয়রশিংনা শোয়বদগী নৎত্রগা চেকশিনদবদগী নিংখাইরকপা ওইরম্বা য়াই হায়না মায়কৈ কয়াদগী ফোঙদোক্লরক্লি।

## কার বোম ব্লাষ্টতা চেন্নরম্বা য়াই চিংনবা অহুম মখা তানা ফাবা ঙমখ্রে



লাহোর, জুন ২৭ (এজেন্সী) :

কুমজা ২০০৮ দা থোকখিবা মুম্বাই টেরর এটেক্তা মাষ্টর মাইন ওইখিবা হফিস সহিদকী য়ুম মনাক্তা কার বোম অমা পোকখায়হন্দুনা এটেক চখিবা থৌদোক অদুদা চেন্নরম্বা য়াই চিংনবা মীওই অহুম মখা তানা পাকিস্থান সেক্যুরিটি এজেন্সিশিংনা ফাবা ঙমখ্রে হায়না ওফিসলশিংনা ফোঙদোরক্লি।

কাউন্টর টেরোরিজম দিপার্টমেন্টকী তোঙান তোঙানবা টিম অহুমনা করাচি, পেসাৱর অমসুং সৈখুপুরাদা বোম ব্লাষ্ট অদুগা মরী লৈননা থিজিনবগী থবকশিং চখুদুনা লাকখিবনি। দিপার্টমেন্ট অসিনা হৈনা শিংনা হোৎনদুনা কার বোম ব্লাষ্ট অদুদা মরু ওইবা থৌদাং লৌরম্বা য়াই চিংনবা মীওই অহুম অদু ফাবা ঙমখিবনি। পাকিস্থানগী পঞ্জাব প্রোভিন্সকী লো মিনিষ্টর বসারদ রাজানা ফোঙদোকখিবদা হৌখিবা য়ুমশকৈশা নুমিত্তা থোকখিবা বোম ব্লাষ্ট অদুগা মরী লৈননা হৌজিক ফাওবগী ওইনা চেন্নরম্বা য়াই চিংনবা মীওই ৮ পুলিসনা ফাজিন্দুনা থমখ্রে।

বোম পোকখায়বগী থৌদোক অদুদা মীওই অহুম শিখিবগা লোয়ননা ২১ না অশোক অপন নংহনখিবনি। থৌদোক অসিগী মতাংদা চিংনবা মীওই কয়া পুলিসনা ফারবসু থৌদোক অদুগী মাষ্টর মাইনদি হৌজিক ফাওবগী ওইনা ফাবা ঙমদ্রি। বোম ব্লাষ্ট অদু খাইবর পাকথুনখ্বা প্রোভিন্সতগী সমিউলা কৌবা মীওই অমনা মাষ্টর মাইন ওইরগা চখিবনি হায়না ওফিসলশিংনা ফোঙদোরক্লি। সমিউলা হৌজিক হৌজিক দুবাইদা লৈরি অমদি মহাক্কী মচিন মনাওশিংনসু বোম ব্লাষ্ট অদুদা অচৌবা মতেং পাংখি হায়না ওফিসলশিংনা মখা তানা ফোঙদোরক্লি।

## লোকদাউন অমুক হন্না থমজিনখিববু য়ানিংদবা ফোঙদোক্তুনা খোঙজং চঙশিনখ্রে

লন্দন, জুন ২৭ (এজেন্সী) :

জুন ২১ দগী ইংলেন্দদা কোভিদ-১৯ গা মরী লৈননা থল্লম্বা অথিংবশিং লৌথোক্কনি হায়না তৌরম্বা অদু ইন্দিয়াদা ইহান হান্না থেংনখিবা দেলটা ভেরিয়েন্টকী কেস লৈবাক অদুদা থেংনরকপদগী মখা তানা অথিংবা থমজিনখিবগী থৌদোক অদুবু মীয়াম্না য়ানিংদবা ফোঙদোকখিবগা লোয়ননা লন্দনগী লম্বীশিংদা থোরক্তুনা খোঙজং চঙশিনখ্রে।

ঙসি খোঙজং চঙশিনখিবা মীয়ামশিং অদুনা ওক্সফোর্দ ষ্ট্রিট ফাওরগা হাইদ পার্ক তান্না চৎখি। মদুগী মতুং পার্লিয়ামেন্ট তান্না মীয়াম্না খোঙচৎ চৎখি। খোঙজং অদুদা শরুক য়াখিবা মীওইশিংনা খুদক্তা অথিংবশিং অদুবু লৌথোক্লবা দিমান্দ তৌখিবগা লোয়ননা মীয়াম্বু লৈঙাক অসিনা অচৌবা পোৎলুম অমা পুহল্লে হায়বা খোল্লাউ কয়াসু লাউখি।

খোঙজং অদুদা শরুক য়াখিবা খোঙজংলোয় অমনা ফোঙদোকখিবদা কোভিদ-১৯ লায়না লাইচৎ অসিবু কন্ত্রোল তৌনবা হোৎনবদা লৈঙাক্লা লোকদাউন মতম শাংনা থল্লকখিবা অদু লৈবাক অসিগী মীয়াম্না খাঙদুনা লাকখ্রবনি। মখা তানা মীয়াম্না অথিংবশিং অসিনা পীরিবা চৈথেংশিং খাঙবা ঙল্লক্ত্রে। মরম অসিনা লোকদাউন নত্তবা অতোপ্পা পাম্বৈ অমা ওইনা লৈঙাক্লা শীজিন্নবনা অফবা ওইগনি হায়রি। অমরোমদা মীয়াম্না হেল্থ মিনিষ্টর মেট হেনকোককী ফিরেপ অদুবু অকনবা মওংদা য়ানিংদবা ফোঙদোকখিবগা লোয়ননা মীয়ামগী অৱাবা খঙদবা মিনিষ্টর খুদক্তগী মফম থাদোক্কদবনি হায়বা খোল্লাউশিংসু লাউখি।

## শকখঙদবা খূৎলাই পায়বশিংনা এম এস এফকী কনভোয়দা এটেক চখদুনা নুপী অমা হাৎখ্রে





এ আর, জুন ২৭ (এজেন্সী) :

মেদিসিন্স সাইন্স ফ্রন্টিয়রস (এম এস এফ) হায়রগসু খঙনরিবা ইন্তরনেস্নেল এইদ গ্রুপ ডোক্তরস ৱিদাউট বোর্দরসকী কনভোয় অমদা ঙসি শকখঙদবা খূৎলাই পায়বশিংনা এটেক চখদুনা নুপী অমা হাৎখ্রে হায়রি।

মেদিকেল চেরিটি অসিগী ৱেষ্টর্ন অমসুং সেন্ত্রেল অফ্রিকাগী ব্রাঞ্চশিংনা ফোঙদোকখিবদা সেন্ত্রেল অফ্রিকান রিপব্লিকতা এম এস এফকী ষ্টাফশিংনা অনাবা পুদুনা চৎলিঙৈদা খঙহৌদনা এম্বুস চখরকখিবনি। এম্বুস অদুদা অনাবা অদুগা লোয়নরকখিবী নুপী অদু নোংমৈনা পান্দুনা শিখিবনি।

এম এস এফনা অনাবশিং পুথোক পুশিন তৌবদা মতেং ওইনবগীদমক নেকখিবা মোটোর বাইক রাইদরস অনী অমসু শক খঙদবা খূৎলাই পায়বশিং অদুনা ফাদুনা পুখ্রে। ফাদুনা পুখ্রবা অনী অদুগী মতাংদা হৌজিক ফাওবগী ওইনদি চপ চানা পাউ অমত্তা ফংবা ঙমদ্রি। মখোয় খূৎলাই পায়বশিং অদুনা কাপ্তুনা হাৎলম্লগদ্রা হায়না এইদ গ্রুপ অসিনা চিংনরি।

এইদ গ্রুপ অসিনা কৎথোকপগা লোয়ননা অৱাবা তারবা মীয়ামশিংদা তেংবাং পীবগী থবক চখরিঙৈদা খূৎলাই পায়বা মীওইশিংনা য়াম্না তোয়না চৈথেং পীবা অসি কন্দেম তৌই। থা অসি খক্তদা এম এস এফতা খূৎলাই পায়বশিংনা এটেক চখকখিবা অসি হন্দক্কী অসি থারগা অহুমলক শুরে। হৌখিবা কুমজা ২০১৩ দগী হৌরগা লৈবাক অসিদা খূৎলাই পায়বশিংনা কা হেনবা থৌওংশিং চখদুনা লাক্লি।